ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

চনম প্রভিশ মীশিগী মতাংদা নোইদা পুলিস অমসুং হোস্পিটাল ওথোরিটিনা চেক-শিনখিদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চান্দিগরদা চথখিবা প্রোটেষ্টকী শক্তম

লামায় ৩

নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা স্বাই হোস্পিটালনা রুপচর সিনস ওফ ভালসলভা (আর এস ও ভী) দিভাইস শীজিন্নদুনা হার্ট ওপরেসন তৌবা

লামায় ৪

খোরিরোল ইরাবতকী ১২১শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ইরাবতকী মিতম অমা নহারোল শিল্লূপ অসামদা খিনবগী থৌরম

লামায় ১

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ইমপ্লো-য়ীশিং রেগুল্লর তাহল্লু হায়বা দিমান্দগী শরুক অমা ওইনা সী এম ও থৌবালগী ওফিসতা ৱাকৎ মীফম ফন্বা

লামায় ৪

Vol. 41, Issue No.180 নোংমাইজিং, মেরাগী ৪নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, September 24, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৮.৫৫
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৯৪

রিক্রুটমেন্ট য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চহী অসিগী রিট পিটিসন (সী) নম্বর ৫৩৫গী মতাংদা তাখিবা রুল্লিং অমনা হয়েং পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার লৌনবগী অইবা চাংয়েং অদু মখা তাবা য়াথং অমা থোক্ত্রিফাওবা য়েথোক্লে হায়না এম পি এস সীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কলর ওফ লভ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ : ব্লু ৱিংস মণিপুরনা শিন্দুনা *কলর ওফ লভকী* অনীশুবা এদিসন ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। নাগালেন্দ অমদি মণিপুরগী মোদেল কয়ানা নাৎকী ওইবা ফীজোল কয়া য়োকখৎনবা পান্দমদা রেম্পতা চৎতুনা ফেসন সো পাঙথোকখি। কলর ওফ লভকী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা ব্লু ৱিংগী মেনেজিং ডাইরেক্টর কেঐচ নিশিকান্তনা...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৩১ °C	২১.৯৮ °C
চান্দেল	৩৩.২১ °C	২৫.৫১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩১.৪৯ °C	২২.১৮ °C
সেনাপতি	২৯.৯২ °C	২০.৭২ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	৩১.৪৯ °C	২০.৭৬ °C
উখ্রুল	২৪.৫০ °C	১৬.৭৫ °C
মণিপুর	৩৩.৫৪ °C	১৬.৭৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	77.450726
US Dollar	64.803611
British Pound	87.460086
Australian Dollar	51.632374
Chinese Yuan Renminbi	9.831873
Japanese Yen	0.578659
Malaysian Ringgit	15.427991
Norwegian Krone	8.306428
Singapore Dollar	48.143404
South Korean Won	0.057138
Swedish Krona	8.113384
Turkish Lira	18.520392
Myanmar Kyat	0.04765
Bangladesh Taka	0.79086

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30278.07
Mumbai	–	Rs 31165.78
Delhi	–	Rs 30588.24
Kolkata	–	Rs 31251.34

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Meitei/Meetei schedule tribe listta chalhanbagi demand sougatfam thok-e haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ **No** ☐

Vote thadanabagidamak **www.hueiyenlanpao.com** da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Pravish Chanam sikhibagi langlalangjin ADGP Promod Asthana na puthokpa ngamgani thajabra?

Yes 30% **No** 70%

অস! লোইরেহে!

জীরি লন্থী শেম্নবা থাদখিবা শেনয়ামদুবু কদাইদা...!

ꯖꯤꯔꯤ ꯂꯟꯊꯤ ꯁꯦꯝꯅꯕ ꯊꯥꯗꯈꯤꯕ ꯁꯦꯅꯌꯥꯃꯗꯨꯕꯨ ꯀꯗꯥꯏꯗ...!



ৱাংখৎলক্লিবা য়ুমসি উদ্রা...!

ꯋꯥꯡꯈꯠꯂꯛꯂꯤꯕ ꯌꯨꯝꯁꯤ ꯎꯗ꯭ꯔꯥ...!

গেষ্ট হাউস শানবা লম একর ৫ পীবিনবা হায়জখ্রে : জয়কুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): উত্তর প্রদেশকী রাধাকুণ্ড অমদি উত্তরখন্দগী হরিদ্বারদা মণিপুরগী গেষ্ট হাউস শাননবা লম একর ৫/ ৫ পীবিনবা ষ্টেট অনী অসিগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা অইবা চেরোল থাখ্রে হায়না মণিপুরগী ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা দি ২১৯ দেথ এনিভর্সরি ওফ রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শিল্লগা উত্তর প্রদেশকী মথুরা ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রাধাকুণ্ডদা পাঙথোক্লিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী চহী ২১৯ শুবা দেথ এনিভর্সিরি লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, য়ুপিগী রাধাকুণ্ড অমসুং উত্তরখন্দগী হরিদ্বারদা গেষ্ট হাউস শাননবা লম অসি পীরক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা গেষ্ট হাউসশিং অসি শাননবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননসু উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা ফোঙদোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হায়রিবা মফমশিং অসিদা চহী খূদিংগী ওইনা মণিপুরদগী মীওই কয়া লাইনিং-লাইশোন অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈননা চৎলি। মরম অসিনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা মণিপুরগী ওইবা গেষ্ট হাউসশিং অসি শারবদি লমদমসিগী মীয়াম্না মফম অদুদা চৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মহাক্না হায়খি, লাইনিং লাইশোনগী মরমদা য়াম্না হকচিল্লুদ্রবসু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র অসি নিংথৌ অমা ওইনা লৈঙাক সাসন অমদি মণিপুরী খুন্নাইবু হেন্না ফবা থাক অমদা পুখৎননবা হোৎনরম্বা নিংথৌনি। নিংথৌ অসিনা রাধা কৃষ্ণগী ৱারীবু মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা আর্ট এন্দ কলচরগা চুশিন্নবা মওংদা শেল্লমখিবনি। মফম অসিদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবা করিগীনো হায়বসি মণিপুরী খূদিংমক্না খঙমিন্নবা অমসুং খন্থমিন্নবা মতম ওইরে।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা এমএলএ টিঐচ সত্যব্রত্তনা হায়, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মণিপুরী কলচরদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংলম্বা অঙকপা মতিক-মগুণ লৈবা নিংথৌ অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মালেমগী মফম কয়াদা মশক তাক্লিবা লমদমসিগী কলচরবু অনৌবা মায়োন অমদা মশক তাক্লম্বা নিংথৌনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোকহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুরবু মশক তাক্লিবা মফমশিং...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ট্রাফিক্কী কাঙলোন অনীরক হন্না থুগাইবশিং খঙদোক্নবা থৌশীল লৈত্রি

ডিষ্ট্রিক্ট কয়াদা ট্রাফিক অদালট পাঙথোক্তুনা কেস ১৫৭১ সেট্টল তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): ট্রাফিক পুলিসকী মপুং ফাবা এস পি ওফিস অমা হাংলবা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস খূদিংমক চপ চানা মথৌ তৌহল্লবসু ট্রাফিক্কী রুল অনীরক হন্না থুগাইবশিং মশক খঙদোক্নবা লৈঙাক্কী ওইবা থৌশীল শেম্বা লৈত্রি।

লাইসেন্স য়াওদনা গাড়ী থৌবা, হেলমেট উপ্তবা, সিট বেল্ট ফাদবা, চহী শুদনা গাড়ী থৌবা অমসুং অতৈ ট্রাফিক্কী রুলশিং থুগাইবগীদমক অহানবগী ওইনা মখোয়বু ফারগা ফাইন থিহনবগী থবকশিং হৌজিক চথরি। অদুবু মমাঙদা ট্রাফিক্কী রুল থুগাইবগী ফাখ্রবা মীওই অমা অমুক হন্না ফারবসু মরী লৈনবা রেকোর্দ পুথোকপা ঙমদ্রি। মসি চৎনবা য়াবা থৌশীল অমা শেমদবদগীনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রাফিক পুলিসতা এফ আই আর লৌনবগী মঙম পীদবনা ট্রাফিক রুল থুগাইবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ চথবগী মিংদা টি আর কক্নবা, লৈঙাক্কী রেভিন্যু তান্নবীবা ওইনা থবক তৌরে। ট্রাফিক পুলিসনা লন্নাই মীওই কয়াগী লাইসেন্স নৎত্রগা রেজিষ্ট্রেসন বুকশিং ফাজিল্লগা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লে।

মদুগী চপ চাবা থবক লৌখৎত্রে। ফাইন ওইনা থিগদবা শেনফম অদুনা অনৌবা দ্রাইভিং লাইসেন্স তান্থোকপা নৎত্রগা অনৌবা আর সী বুক নৌনা তান্থোকপনা কোল্লে হায়না লো থুগাইবশিংনা লৌনরে।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ট্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্ট, পুলিস অমদি ট্রাফিক পুলিসকা খুৎশম্নুনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, থৌবাল অমদি উখ্রুলগী মফম কয়াদা মেগা ট্রাফিক অদালট পাঙথোক-খিবগা লোয়ননা কেস ১৫৭১ রোম সেট্টল তৌখ্রে, ফাইন ওইনা লুপা ৩,২৪,৪২৫ খোমগৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদগী নুংথিল পুং ৪ তাবা ফাওবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মীওইশিং অমদি ট্রাফিক লোয়ননা পুলিসকী ওফিসলশিং য়াওনা মফম কয়াদা মেগা ট্রাফিক অদালট পাঙথোকখি। ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পেলেস গেট, মন্ত্রিপুখ্রি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বি জে পিগী লৈঙাক্না লাইরবা মীয়াম ৱাহল্লে : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এ লৈঙাক্কী মতমদা পেট্রোল, ডিজল অমদি গ্যেসকী মমল হেনগৎহনববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবন মমাঙদা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি, মহিলা কোংগ্রেস অমদি এন এস য়ু আই মণিপুরগী থৌমী কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী সেক্রেটরি অমদি এন এস য়ু আই মণিপুরগী ইন চার্জ ওইরিবা এম সুভাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরদা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসি হেক লাক্লবা মতুংদা পোৎ-চৈগী মমল য়াম্না ৱাংখৎলে। লাইরবা মীওই কয়া হিংবদা অৱাবা ওইনরে। পেট্রোল, ডিজল অমদি গ্যেসকী মমল অসিসু ৱাংখৎখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া থেংনরে। বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা লৈঙাক হেক পায়রবা মতুংদগীদি লৈবাক অসিগী ইকনোমিক পোলিসি ফেল ওইরে। লাইরবা মীয়াম অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি। বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিগী থৌশিল-থৌওং অসি য়ানিংদে। পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপা অমদি বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা চৎথরিবা কয়া অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথবনি। বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং কয়াসু মফম কয়াদা

চঙশিল্লগনি। লাইরবা মীয়াম্বু অৱাবা পীবা অসিগুম্বা লৈঙাক অসিগী থৌশিল থৌওং অসি য়ানিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট জাকির হুসেননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা পেট্রোল, ডিজল অমদি গ্যেসকী মমল ৱাংখৎখিবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ইরাবতকী মিতম লক্ষিপুরদা খিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩(ঐচ এন এস) : জননেতা ইরাবত মেমোরিয়েল সোসাইটি, নহারোল খোরিরোল শিল্লূপ অসাম অমসুং জননেতা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, লক্ষিপুরনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি ইরাতবকী ১২১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মিতম অমসু খিনখ্রে।

মণিপুরদগী ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিগী সেক্রেটরি এল সোতিন-কুমারনা লূচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা জননেতা ইরাবত মেমোরিয়েল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এ বারি খান, খোরিরোল শিল্লূপকী প্রসিদেন্ট লোংজম গোপেন্দ্র, লক্ষিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ রাজদ্বিপ গোয়ালা অমসুং থোকচোম কৃষ্ণমোহন (রিটয়ার্দ স্কুল ইন্সপেক্টর) না দিগ্নিটরিশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা লক্ষিপুর এ সীগী এম এল এ রাজদ্বিপ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

পাউমী অমা মমাগা পুন্না হাৎলল্লে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সী): থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট কে জে সিংহ(৬০) অমদি চহী ৯২ শুরবা মহাক্কী মমাবু মোহালিদা লৈবা ময়ুমদা হাৎলল্লে।

থৌদোক অদুবু শিরোমনি কলালি দলগী প্রসিদেন্ট সুখবির সিংহ বাদলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং খুদক্তা ফানবা পুলিস ওফিসলশিংদা তকশিনখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, সিনিয়র জর্নেলিষ্ট কে জে সিংহবু অপোকপী মমাগা লোয়ননা হাৎলম্বগী পাউ ফংলে। হীরম অসিগী মতাংদা মরাল লৈবা মীওইশিং লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দিনরাট ন্যুজ চেনেলগী জর্নেলিষ্ট শান্তনু ভৌমিকসু ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টতা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমগী পাউ লৌরিঙৈদা হাৎপা লৈখ্রবনি। সেপ্টেম্বর ৫দনা শক্লাইরবী জর্নেলিষ্ট গৌরি লংকেশপু বেঙ্গলুরুদা লৈবা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখি।

চৈরকসিদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহগী য়াথং মতুং ইন্না পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমখিবগা লোয়ননা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট কে জে সিংহ অমদি চহী ৯২ শুরিবী মহাক্কী অপোকপগী গুরচরন কোর হাৎলম্বা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

মমা-মচা অনীমক মোহালি ফেজ থ্রি বি-২দা লৈবা ময়ুমদা শিরগা লৈরম্বা থেংনখিবনি। কে জে সিংহগী খৌরি লেন্থৎলম্বা থেংনখি। মহাক্কী মমা অদুবুনা মখৌরি মেৎলম্বগী খুদম ফংখি। কে জে সিংহ ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস অমদি টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা থবক তৌরক্লবা সিনিয়র জর্নেলিষ্টনি। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা মহাক্না তোংবা অশংবা মচুগী ফোর্দ আইকোন থিবা খঙখিদ্রে হায়রি।

সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কুলদিপ সিংহ চহালনা হায়খি মদুদি, করি মরমগী মমা-মচা হাৎলল্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্নবা হোৎনরি। থৌদোক অসিগী লীখুন খরা ফংবা ঙল্লে।

ঐচ পি সী-দি অমদি মিজোরাম লৈঙাক্কা এগ্রীমেন্ট তৌনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩(ঐচ এন এস) : মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ মার পিপলস কনভেন্সন-দেমোক্রেটিক (ঐচ পি সী-দি)কা অথুবা মতমদা পিছ এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনরগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং ঐচ পি সী-দিগী লূচিংবশিংগী মরক্তা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

সেপ্টেম্বর ২২দা লোইশিনখিবা ৱারী শানবগী থৌরম অদুগী মতাংদা মিজোরামগী এদিসনেল সেক্রেটরি (হোম) লালবিয়াকজমানা হায়খি, নুমিৎ নীনি চথখিবা পিছ টোক্তা নাকল অনীমক্না অথুবা মতমদা য়ানচে সাইন তৌনবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। নাকল অনীমক্না ওটোনোমি, পাৱর অমদি শিনলুং হিলস দিভলপমেন্ট কাউন্সীল (এস ঐচ দি সী)গী ফঙ্কসনগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৪দা ঐচ পি সী মচেৎ তাদ্রিঙৈদা মিজোরাম, মণিপুর অমদি খা থংবা অসামদা খুদারিবা মার ট্রাইবেলশিংগী অপাম্বা ফংহন্নবা মওংদা এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনরগা এস ঐচ দি সী শেমখিবনি।

ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখিবা ৱারী শানবগী থৌরমদা ঐচ পি সী-দিগী চ্যেরমেন লালথাংলিন এলিয়স এল টি মারনা লূচিংবা মীওই তরুক্না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা শরুক য়াখি।

মার ট্রাইবেলশিংগী লালহৌলূপ অসিনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

খুন্নাইগী য়াইফনবা অফবা ৱাখল্লোন পুথোকসি: বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক অফবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকপা অমদি অফবা ৱাখল খনবা তঙাইফদে হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা আর্ট এন্দ কলচরগী হোলদা পাঙথোকখিবা পন্দিত দিন দয়াল উপাধ্যায় মহা প্রশিক্ষন অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশ অমদি ট্রেনিং সেল বি জে পিনা শিন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্না চথগদবা থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, বি জে পিগী থৌমীশিংনা পার্টি অসিগী ৱাখল্লোন অমদি থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নীংথীনা খঙবা তঙাইফদে। পার্টি অসিবু লূচিংলম্বা পন্দিত দিন দয়ালনা খল্লম্বা ৱাখল্লোন কয়া অদুসু বি জে পিগী থৌমীশিংনা নীংথীনা খঙবা চঙই। পন্দিত দিন দয়ালনা খুন্নাইগী খ্বাইদগী শোথরবা মীওইশিংবু য়াইফনবগীদমক মীৎয়েং কয়া চঙলম্মী। লাইরবদগী লাইরবশিংবু খুন্নাইগী মান্নবা থাক্তা পুরকপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরম্মী। লূচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন মখাদা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া মীয়ামগীদমক পায়খৎলম্মী। অসিগুম্বা লূচিংবা অসিগী মরমদা নীংথীনা খঙনবা হোৎনগদবনি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা মহা প্রশিক্ষন অভিয়ান অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। বি জে পিগী থৌমী অমদি মহিলা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নাৎ, চৎনবীগী মিংশেল ম্যুজিয়মনা ওইরি : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩(ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ৪৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ম্যুজিয়ম অসিগী বুকলেট অমদি পোষ্ট কার্দ ফোঙবগা লোয়ননা মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমদি মহাক্কী লান্মীগী মিতমগী মায়খুম হাংদোকখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, দিপার্টমেন্ট অসিগী কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমারনা প্রসিদেন্ট অমসুং ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রো; সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ডা. এস সুশিলানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরমদুগী গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ম্যুজিয়ম হায়বসি খুন্নাই অমগী হৌরকফম অমদি শক্তম তাকপা ঙম্বা শকয়েং মিংশেলগুম্বনি। ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবীগী মিংশেলসু ম্যুজিয়মনা ওইরি। মরম অদুনা মতমগা চুনরবা ম্যুজিয়ম অমা শেমগৎমিন্নবা মথৌ তাই।

ম্যুজিয়ম য়েংনিংবগী অপাম্বা মীয়ামদা লৈহন্নবা করি করম্বা পোৎলমশিং হাপচিনগদগে হায়বসু য়াম্না কুপ্না খন্থগদবনি। অহেনবা মেনপাৱরশিং হাপচিন্দুনা ম্যুজিয়ম অসি তরু-তানান্না থম্বা ঙল্লগদি মীয়াম্না ম্যুজিয়ম য়েংবা লাকপা হেনগৎলক্কনি অমসুং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

COME AND JOIN BE PART OF THE MOVEMENT
YELHOUMEE MEITEI KANSI MANIPUR KANSI
ONE VOICE * ONE STRUGGLE *ONE MOVEMENT
KNOW THY ROOT LET'S PROTECT OUR INDENTITY
"WAREPNABA MEEFAM - PUBLIC CONVENTION ON MEITEI/ MEETEI SCHEDULED TRIBE (ST) STATUS DEMAND"
Date : 24th September, 2017 (Sunday)
Time : 10:30 a.m. to 4:30 p.m.
Venue : Iboyaima Sumang Leela Sanglen, Palace Compound
Please support us on : facebook.com/CoBodyonSTDC
HL-B/4138/24

LOAN AVAILABLE
চেঙ্গ ফুংগচৈ
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অৱইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫